# মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু মশক মুন্না খঙবীয়ু, অথুবা মতমদা ষ্টেটকী স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীয়ু : ও বেমবেম





মণিপুরগী ওইনা চপ চাবা স্পোর্টস পোলিসি অমা অথুবা মতমদা শেম্বীয়ু। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা মতমসিগা চানবা স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বা ঙমদবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়জনীংই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা পোলিসি শেম্বা অসিনা শান্নরোয় ওইজরুবা ঐখোয় খরদদি হেন্না নুংঙাইতবা, নুংনাংবা ৱাখল কয়াসু তত্তনা ফাওহল্লে। ৱাফমশিং অসি ফুটবোলগী শক্লাইরবী অর্জুন এৱার্দি (২০১৭) ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোকপীরকখিবনি।

ৱাফম খরসু মখা তানা ও বেমবেমনা অসুম্না হায়রকখি, ঐহাক ইশামক কুমজা ১৯৯০/৯১দগী ফুটবোলদা খোঙদারকখিবনি। মিদ ফিল্ডরগী শান্নরোয় অমা ওইনা কুমজা ১৯৯৫দগীদি নেসনল থাক্তা শান্নবা ঙমদুনা ষ্টেটসিগী মীংচৎ পুরকপদা য়াওজরকখি। কুমজা ১৯৯৫দগী ২০১৭ ফাওবদা তৌখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০ লক্তা মণিপুর টিম্না ১৮ লক ৱিন্নর ওইরগা অনীরক্লা রন্নর্স-অপ ওইরকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপশিং অদুদা ঐহাক ১২ রক মণিপুর টিমগী কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াজরকখি।

কুমজা ১৯৯৫ অসিদগী ইন্টরনেসনল থাক্তসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নজবা ঙমজরকখ্রে। কুমজা ১৯৯৮দা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতা শান্নজরুরবা মতুংদগীদি ঐহাক মণিপুর পুলিসতা এদহোগতা থবক চঙজরকখি। থাগী তোলোপ ওইনা শুপ্নগী লুপা ১,৫০০/২০০০ খক ফংলগা কুমজা ২০০০ ফাওবা লৈজরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০০গী লোইরমদাইদা পুলিস কন্সটেবল ওইনা পার্মিনেন্ট তারকখি।



ইশাগী স্পোর্টস এচিভমেন্টকী মতাংদনা কুমজা ১৯৯৫দগী হৌরগা এসিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমস, এ এফ সী ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন, প্রি ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন, সাউথ এসিয়ন গেমস, এস এ এফ এফ ৱুমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন ক্বালিফায়িং রাউন্দনচিংবা কুমজা ২০১৭ ফাওবা শরুক য়াজরকখি। মলেসিয়া, চাইনা পি আর, বেঙ্কোক, ফিলিপিন্স, নেপাল, চাইনিজ টাইপৈ, ভিয়েটনাম, কোরিয়া, তেহরান, বাংলাদেশ, কলম্বো, পেলেষ্টাইন, মালদিপস, সাউথ কোরিয়া, ম্যান্মার, পাকিষ্টান্নচিংবা কোয়না চৎতুনা শান্নজরকখি। ইন্টরনেসনল থাক্কী চেম্পিয়নশিপ অমদি টুর্নামেন্টতনা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন তরেৎলক ওইদুনা চৎচরকখি।

শান্নরোয় ওইজরিঙৈদা মমিং লৈবা ফুটবোল মেচ ৮৫গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মীদ ফিল্ডর অমা ওইনা গোল ৩২ চনবা ঙমজখি। মসিগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯৮দা বেঙ্কোক্তা তৌখিবা "১৩রকশুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস" অমদি কুমজা ২০১৪দা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা "১৭শুবা এসিয়ন গেমস"তসু ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াজরকখি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মতম শাংনা চহী ২১ চুপ্না শান্নজরকপা প্লেয়রসিসু ঐহাক্নি। প্লেয়র ওইজরিঙৈদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না কুমজা ২০০১ অমদি ২০১৩দসু বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ দ য়রগী মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলকখ্রে। মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ দ য়রগী মনাসু কুমজা ২০০১ অমদি ২০১৪দা মথংশিংনা ফংজখ্রে। লোয়ননা কুমজা ২০১৭তা লৈবাকসিগী শান্নরোয়শিংদা পীবা অর্জুন এৱার্দসু পুদুনসু লাকচখ্রে।

...মথং মথং...

# ইন্দিয়াগী সিব থাপা অমদি অতোপ্পা বোক্সর তরুক ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টকী সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): জপান্দা পাঙথোকপা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা এসিয়াগী বোক্সিংগী মেদল মরিরক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সিব থাপা য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক অসিগী বোক্সর তরুক সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সিব থাপানা জপানগী বোক্সর জুকি হিরাকৱাবু ক্বার্টর ফাইনেলদা য়াম্না হেনবা মওংদা ৫-০দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াই, থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা এক্সপরিএন্স লৈরবা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামদগী হৌখিবা সিব থাপানা নেসনল বোক্সিং টাইটল অদুসু লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না হয়েং সেমী ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী বোক্সর দাইসুকে নারিমাটসুগা লম্বা তৌনরগনি। নারিমাটসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু বাই ফংদুনা লাকখিবনি।

ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর তরুক অহানবা রাউন্দগী বাউটশিং অদু বাই ফংদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপনি। মমাঙদা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলুপ্তা নিখট জরিল য়াওরি। নুপাগী কেজি ৯১দা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট সুমিট সাংৱান য়াওরি।

কাঙলূপ অসিমক্কী কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটেগোরিদা অশ্বিস, ৭৫গীদা ভানদিম পুয়া য়াওরি। নুপী কাঙলূপ্তা কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা সিমরঞ্জিৎ কোর অমসুং কেজি ৭৫গীদা পুজা রানি য়াওরি।

জারিননা সেমী ফাইনেলদা জপানগী সনা কৱানোগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা পুজা রানিনা ব্রাজিলগী বিত্রিস শ্বারেজকা থেংনগনি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুনা ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং অদুগী রিজল্ট লাক্লগা মখোয়গী লম্বা মশক খঙগদৌরি।

# লক্ষ্য সেননা সারলোরলুক্স ওপন বেদমিন্টন্দা টাইটলগী মীৎয়েং থল্লি

সারব্রুকেন, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা সারলোরলুক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেননা টাইটল ফংননবা মীৎয়েং থল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইরিবী সাইনা নেহৱাল য়াওগনি হায়না তৌরম্বা অদু ৱিথদ্রো তৌখি। মহাক্তা নত্তনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু অথেংবদা ৱিথদ্রো তৌখি।

লক্ষ্য সেন চহী অসিদা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল অদু ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি। মহাক্না বেলজিয়ন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা দটচ ওপন টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখিবনি। অদুবু পোলিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ওইনদি ফাইনেলদা লৈহৌখি।

সারলোরলুক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা লক্ষ্য সেন অহানবা রাউন্দ বায় ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী ফেলিক্স হেমস অমদি ফিনলেন্দগী ইটু ওস্কারি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় অহুম য়াওরি। মিথুন মঞ্জুনাথ অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী চোং য়িহান অমদি ফিনলেন্দগী জুনাস কর্হোনেন অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগদৌরি। অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল ভর্দ্বাজনা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোয় রোৱান স্কুরকোজেলগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় কিরন জোর্জনা চাইনাগী শান্নরোয় লিয়ু হায় চাওগা শান্নগদৌরি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র ভৈবব অমসুং প্রকাস রাজনা অহানবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী পেয়র অমরি অমির অমদি মোহম্মদ জৈরালগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র পুজা দন্দু অমসুং সঞ্জনা সন্তোস অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী মিয়া সুরো অমদি জুলি ইপসেনগী পেয়র অমসুং জর্মনিগী এমা মোজেন্সকি অমদি লিয়া শ্বার্টচকী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসতা সঞ্জনা সন্তোসনা রোহন কাপুরগা পেয়র ওইদুনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী পেয়র ইলোই অদাম অমসুং মার্গোট লেমবর্টকা শান্নরগনি।

# 'ফর্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী কন্ত্রেক্ট সিষ্টেম অমা লৈহন্নবা শীল্লগনি'



কোলকটা, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): হন্দক্তা নৌনা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী প্রসিদেন্টগী থৌ পুরবা সৌরব গঙ্গুলিনা ঙসি কোলকটাদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফর্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী কন্ত্রেক্ট সিষ্টেম অমা লৈহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফর্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অসিগী কন্ত্রেক্ট সিষ্টেম অমা থম্নবগী অনৌবা খোঙথাং অমা শৌরব গঙ্গুলিনা পুখৎলকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই লিশীং কয়ানা ফর্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট শান্নরিবা অসিদা মপূং ফাবা মখোয়না পামখিবা সেক্যুরিটি অদু পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

মমাঙদা গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুনা শেলগী মতাংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরি। মরম অদুনা মখোয়না মেচতা শরুক য়াবা মতমদা মেচ ফী অদু হান্না লৈরম্বা চাংদগী হেনগৎহনগদৌরি।

বি সী সী আইগী নৌনা প্রসিদেন্ট ফম পুরবা গঙ্গুলিনা মখা তাখিবদা মহাক্না ফাইনান্স (সব কম্মিটি) দা কন্ত্রেক্ট সিষ্টেম অমা শেম্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সি অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তাখিবদা প্রসিদেন্টকী ফম নৌনা পায়রকপদগী দিৱালি কুম্মৈ লাকশিনখিবা মরম্না থবক থৌরমশিং অসি য়েংশিন্নবা হোৎনবদা চয়োল অনীরোম চঙখিগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা চহী অমদা মেচশিং অদুগী মখলগা মরী লৈননা চাউরাক্লা লুপা লাক্ষ ২৫দগীনা ৩৫ ফাওবা ফংনরি। অদুগা মেচ অমমমদা নোংমদা লুপা লিশীং ৩৫গী ফী পীরি। লোয়ননা দোমেষ্টিক্কী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অসিনা বি সী সী আইনা ফংলকপা ব্রোদকাষ্ট রাইটকী গ্রোস রেভিন্যুদগী শান্নরোয়শিং অদুদা চাদা ১৩গী শেনফমসু পীরি।

# ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে



কাইরো, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): ইজিপ্তনা য়ূম্ব্ধু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং কাইরোদা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিএসন (পি এস এ) গী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় জোস্না চিনাপা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা জোস্না চিনপা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি ৱর্ল্ড নম্বর টু সীদেদ ইজিপ্তকী নুর এল সরবিনিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা ঙম্লবী নুর এল সরবিনিনা ইন্দিয়াগী জোস্না চিনপাবু য়াম্না কোমনা শুপ্নগী মিনট ২১দা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু থোইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, জোস্না চিনপা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্না হোংকোংগী হো জে লোপকা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অনী ১১-৫, ১১-৪দা থোইদুনা লৈরিঙৈ হোংকোংগী শান্নরোয় অদু শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা চিনপা প্রী ক্বার্টর য়ৌরকপনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইজিপ্তকী নুর এল সরবিনিনা চিনপাবু ১১-৫, ১১-৩, ১১-৬তা থোইখি। অহানবা সেট অনী অদু জোস্না চিনপাবু ইজিপ্তগী নুর অল সরবিনিনা হীরম খুদিংমক্তা হেনখিদুনা থোইবা ঙমখি। অদুবু অহুমশুবা সেট অদুদা চিনপাগী মায়কৈদগী খরমখৈ হোৎনরবসু সরবিনিগী মশান্না অদুদা লম্বা পীবা ঙমখিদবদগী মায়থীহৌখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় সৌরব ঘোসল ঙরাং পাঙথোকখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ইজিপ্তকী শান্নরোয় ফারেজ দেসোকিগী মখূৎতা ৬-১১, ৫-১১, ৫-১১দা মায়থীবা নংখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কীনুঙলংবগীথৌরমঅমদাশান্নরোয়অমাঅনীরকদিসক্বালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্বা খজায় শোক্লা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## INDIAN SUPER LEAGUE 2019-2020
### SCHEDULE, FIXTURES

| Date, Time & Venue | Match | | |
|---|---|---|---|
| Oct 30 2019, Wed - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | ATK |
| Oct 31 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Odisha |
| Nov 1 2019, Fri - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Goa |
| Nov 2 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 3 2019, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Bengaluru |
| Nov 6 2019, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | NorthEast United |
| Nov 7 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Goa |
| Nov 8 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Odisha |
| Nov 9 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 10 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Chennaiyin FC |
| Nov 23 2019, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 24 2019, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | ATK |
| Nov 25 2019, Mon - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin | Vs | Hyderabad |
| Nov 26 2019, Tue - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 27 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Mumbai City |
| Nov 28 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Odisha |
| Nov 29 2019, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Bengaluru |
| Nov 30 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Mumbai City |
| Dec 1 2019, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Goa |
| Dec 2 2019, Mon - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur | Vs | NorthEast United |
| Dec 4 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Bengaluru |
| Dec 5 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 6 2019, Fri - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 7 2019, Sat - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | ATK |
| Dec 8 2019, Sun - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Goa |
| Dec 11 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Hyderabad |
| Dec 12 2019, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 13 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 14 2019, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | ATK |
| Dec 15 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Mumbai City |
| Dec 18 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Bengaluru |
| Dec 19 2019, Thu - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Mumbai City |
| Dec 20 2019, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 21 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | ATK |
| Dec 22 2019, Sun - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Odisha |
| Dec 25 2019, Wed - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Bengaluru |
| Dec 26 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Goa |
| Dec 27 2019, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 28 2019, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | NorthEast United |
| Dec 29 2019, Sun - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Hyderabad |
| Jan 2 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 3 2020, Fri - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Goa |
| Jan 4 2020, Sat - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | ATK |
| Jan 5 2020, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Hyderabad |
| Jan 6 2020, Mon - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 8 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | NorthEast United |
| Jan 9 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 10 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 11 2020, Sat - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Mumbai City |
| Jan 12 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 15 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Odisha |
| Jan 16 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | NorthEast United |
| Jan 17 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Bengaluru |
| Jan 18 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Goa |
| Jan 19 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 22 2020, Wed - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Odisha |
| Jan 23 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 24 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Mumbai City |
| Jan 25 2020, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 27 2020, Mon - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | NorthEast United |
| Jan 29 2020, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Goa |
| Jan 30 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Hyderabad |
| Jan 31 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | NorthEast United |
| Feb 1 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 2 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | ATK |
| Feb 5 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Hyderabad |
| Feb 6 2020, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 7 2020, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Bengaluru |
| Feb 8 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Odisha |
| Feb 9 2020, Sun - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Kerala Blasters |
| Feb 12 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 13 2020, Thu - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Mumbai City |
| Feb 14 2020, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | NorthEast United |
| Feb 15 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Bengaluru |
| Feb 16 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 19 2020, Wed - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Goa |
| Feb 20 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Hyderabad |
| Feb 21 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 22 2020, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | ATK |
| Feb 23 2020, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Kerala Blasters |